

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*ফ্রেন্স ওপন ২০১৪দা শরুক য়ারিবী বৌচার্দনা মমাংদা শান্নখিবা ব্রিমব্লেদনদা বোল লৌনবা হোৎনবদা তুখিবা*

*ব্রাজিলনা য়ুম্থু ওইদুনা মথং থাদগী পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিবু পামদে হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা*




## ইটালি টিমদা য়াওরিবা মাটিও দার্মিননা ব্রার্ল্ড কপ্তা নিংথিনা শান্নগনি



*রিও দি জানৈরো, মে ২৮ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্থু ওইদুনা মথং থাগী ১২দগী পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ইটালিগী মাটেও দার্মিননা টিম অসিগীদমক মাগী অঙম্বা থক্তা হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখ্রে ।

মশাগী চহি ২৪ শুরবা শান্নরোই অসিনা টিম অসিগী মীওই ৩০গী প্রিলিমিনরি টিমদা য়াওদুনা ট্রেনিংদা শরুক য়ারি । ইটালি টিমগী ওইনা ট্রেনিং অসি য়াম্না কান্না চৎথরিবা মনুং অসিদা পাউমীশিংগা অখন্না উন্নবা অমদা দার্মিননা হায়খিবদা মহাক টিম অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা ব্রাজিলদা চৎকনি হায়বসি খংদ্রি । অদুম ওইনমক মহাক্লা দরকার লৈবা খুদিংমক প্রানদেলিদা হায়খিবা লৈখ্রে । শান্নরোই অসি হৌজিক হৌজিক তোরিনো হায়না খংনবা ক্লব অসিদা ফুল বেক ওইনা শান্নরিবা প্লেয়ার অমনি ।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মহাক হৌজিক টিম অসিদা শরুক য়ান্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি । হন্দক্কী সিজান অসিগী ওইনা মহাক মমিং লৈবা শান্নরোই অমসু ওইরি । মহাক্লা খনবদা নেসনেল টিম অসিদা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবসু লৈ । মহাকপু টিম অসিদা য়াওননবা খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মরক্তা য়াওরিবশিং অসিগী মনুংদা মখোয় মশেলগী মরক্তা তোঙানবা কম্পিটিসন অমসু তৌনরি ।

মহাক্লা মখা তানা হায় মহাক্কী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা মেটচ অমা ফাওবা শান্নদ্রিবনা ইন্টর্নেসনেলগী শান্নবগী মওং খংদ্রি । মসিগী মথক্তা নেসনেল টিমগী ওইনসু মেটচ অমা ফাওবা শরুক য়াদ্রি হায়খি । হায়রিবশিং অসিনা মরম ওইদুনা মহাক্লা ব্রার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদুনা মেটচ শান্নবা হায়বসি অঙকপা অমদি ওইগনি । কপ অসিদা মহাক য়াওরে হায়না খল্লবদি জুবেন্টসকী লেফ বেক ওইরিবা এন্তোনিওগী মতুং ইন্দুনা মেটচ শান্নবা ঙমগনি । হায়রিবা ব্রাফম খুদিংমক অসি প্রানদেলিদা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি ।

প্রানদেলিনা ফোংদোকখিবদা কর্বিনি অসি ইং ১৯৭৮দা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুদা ইটালিগী টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই অমনি । মহাক্লা কন্না হায়রকপদগী দার্মিনি অসিবু নেসনেলগী টিম অসিদা শরুক য়াহন্নবা হায়রকখিবা লৈ



লোয়ননা শান্নরোই অসিগীসু দিফেন্দর অমা ওইবদা য়াম্না কনবা শান্নরোই অমা ওই ।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা হন্দক্কী সিজন অসিদা মহাক্কী ফজবা কয়া অদু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খংবিখ্রে লোয়ননা মাবু নেসনেলগী টিম অসিদা শরুক য়ানবা হায়বগা লোয়ননা ইটালি টিমগী ফুল বেগ ওইনবসু খন্নরে ।

দার্মিন অসি এ সি মিলেনগী য়ুঠ রেঙ্গক্তগী হৌরক্লগা সেরিজ এ ফাওবদা রোসোনেরি হায়রিবা চহি ১৭কী শান্নরোই অসিগী লোয়ননা শান্নমিন্নরি । লিগ মেটচ ময়াম অমা শান্নবগী মনুংদা মখোয়গী মতেংনা তোরিনোনা ৭শুবা পোজিসন ফংবা ঙমখিবনি । মহাক্লা ঙসি ইটালি টিম অসিদা য়াওননবগী খুদোংচাবা অমা ফংলিবসি তোরিনোগী কোচ ওইরিবা গেমপিরোগী অচৌবা থৌদাংনি হায়সু পানখি ।

মহাকপু ফুটবোলগী মশান্না অসিদা পুথোকপিরকখিবা কোচশিং অদুদি হান্নদা মিলেনগী অদুগা হৌজিকনা রেল মেদ্রিদকী কোচ ওইরিবা কার্লো এঞ্চিলোটি অমদি ভেন্টুরানা ফুটবোল মশান্না অসিদা পুশিনবীরক্তুনা অফবা শান্নরোই অমা ওইনবা হোৎনবিরকখি । কোচ অনি অসিবু মহাক্লা তৌবিমল খংবসু উৎলি । মখোয়গী মপালনা ঙসিমক ওইরিবা ফিভম অসি য়ৌখিবনি ।

অজুরিদা লৈরিবা ইটালি টিমগী কেম্প অসি য়াম্না অচৌবা মওং অমনি । মসিদা লৈরিবা গ্রুপ অসি অমত্তা ওইনা লৈমিন্নে । অফাওবা অমদি ফাওদ্রিবা শান্নরোইশিং অসি অমত্তনি হায়না খন্নে । দার্মিনগী অহানবা মেটচ ওইনা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা রিপাব্লিক ওফ আইর্লেন্দগা ক্রাভেন কোটেজ হায়না খংনবা মফম অদুদা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগনি । কপ অসিদা ইটালিনা গ্রুপ বিদা লৈবগা লোয়ননা ইংলেন্দ, উরুগে অমদি কোষ্টরিকাগা মেটচ অহুম লিগ রাউন্দদা শান্নগনি হায়না শান্নরোই অসিনা পানখি ।

অমরোমদা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সেপ ব্লেদ্দনা জুন ১২দগী হৌগদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসি শরুক য়াগনি । হৌদোকপগী থৌরম পাংথোক্কদৌরিবা ইটাকুইরাওদা লৈবা ষ্টাদিয়ম সাও পৌলো ব্রাজিল অমদি ক্রোএসিয়াগী মেটচ অসি হৌদোকপগী থৌরম য়াওবগা লোয়ননা মহাক্লা ফিফাগী প্রসিদেন্ট অমা ওইরিঙৈদা পাংথোকপা ব্রার্ল্ড কপ অসি মঙারকশুবা ওইগদৌরি ।

মশাগী চহি ৭৮ শুরবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট অসি ব্রাজিলদা হৌগদৌরিবা কপ অসিগী নোংমা ব্রাৎলিঙৈদা পাংথোক্কদৌরিবা ফিফাগী মেম্বর খন্নবগী মীখলদা শরুক য়াগনি ।

পৃথিবীগী ওইনা ফুটবোল মশান্না অসিবু হেন্না ফগৎনবা লৈরিবা বোদি অসিদা লৈবাক ২০৯ না ফিফাগী মেম্বর ওইরি । মখোয়না পিরকপা মতুং ইন্না ব্লেদ্দবু চহি ৪ অমগা ফিফাগী প্রসিদেন্টগী ফম অসি পুবিনবা হায়রকখিবা লৈ ।

হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা অসিনা ফোংদোকখিবদা মীয়াম্না হায়রক্লিবদু পাংথোকপা ঙমব্রা য়েংগে হায়না পানখি । ব্রাজিলদা হৌদিকজক পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অমসুং মমাংগী জুন থাদা পাংথোকখিবা কনফিদ্রেসন কপ অদুদা ফিফানা ব্রাজিলগী মীয়ামদা টেক্স য়াম্না পীগনি হায়না ফোংদোকপা লৈখি ।

হন্দক পাংথোক্কদৌরিবা অমদি মমাংদা পাংথোকখিবা কপ অনি অদুদগী ফংলকপা রেভেন্যুদগী দোর্ল বিলিয়ন মরি লৈবাক অসিদা পীগনি হায়না ফিফাগী মায়কৈদগী মাংজৌননা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিনা ব্রার্ল্ড কপ নত্রগা ওলেম্পিক গেমস য়ুম্থু ওইজগে হায়না ফোংদোকপা লৈখিবনি ।



## উরুগেগী লুইস স্বরেজগী ফিভম ফগৎলক্লে

*মোন্টেভিদিও, মে ২৮ঃ*

উরুগেগী ষ্ট্রাইকর ওইরিবা লুইস স্বরেজ ফিভম হান্নদগী হেন্না ফগৎলক্লে হায়না রিপোর্ট তৌরি ।

সোরেস ওই থংবা খুদা শোকপনা মরম ওইদুনা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা য়াওদবা য়ানা লৈরম্বা অদু কি হোল সর্জরি তৌরবা মতুংদা মহাক্কী অনাবগী ফিভম অদু ফগৎলক্লে হায়রি ।

টিম অসিগী ডাক্তরনা ফোংদোকখিবদা নুমিৎ খরনিখক্তা ঙাইরবা মতমদা স্বারেজকী খু ওপরেসন অসি কি হোল তৌদুনা মায়পাক্লা পাংথোকখ্রবা মতুংদা হান্নগুম্না ফগৎপা ঙমদ্রগসু শোকপদগী লৈরল্লিবা ফিভম অদুদগী য়াম্না ফরে হায়না এলবাতো পান্না টিম অসিগী ট্রেনিং কেম্পতা পাংথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়খিবনি ।

কপ অসিগী ওইনা মহাক য়াওবা য়াবা মেটচ অসি চয়োল অহুম লোমগী মতম টিম অসিদা ফংই । ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু রুল অসিগী ব্রাংমদা মহাকপু ফরে হায়দুনা হাপচিনবগী ব্রাফমদি লৈত্রি । মহাক্লা নিংথিনা ফগৎতুনা শান্নবা ঙম্লবা মতমদা টিম অসিদা শরুক য়াহন্নবা ব্রাফম খন্নবদি লৈ । টিমগী কোচ ওইরিবা এলবাতোনা মখা তানা হায়খিবদা স্বারেজনা কৈদৌঙৈদসু মীয়াম্না খন্নরিবা অসিগী ওন্না তৈন্নবদা খোংথাং লৌরক্লোই । মহাক্লা টিম অমদি মীয়ামগী য়েংদুনা অফবা মায়কৈরোমদা লৌরক্কনি । মমাংদা সাউথ আফ্রিকানা য়ুম্থু ওইদুনা চহি ৪গী মমাংদা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ্তা লৈবাক অসিনা মরিশুবা পোজিসন ফংবা ঙমখিবসি শান্নরোই অসিগী মতেং য়াম্না চাউনা য়াওখি । মহাক সর্জরি তৌরবা মতুংদা হান্নগুম্না নিংথিনা ফগৎপা ঙমগনি হায়না পান্নরিবা মতম অসি নুমিৎ ১৫ দগী ২০ ফাওবা চংগনি মসিগী মতুংদা মহাক নিংথিনা ফবা ঙল্লগনি।

নিংশিংবা য়াই স্বারেজনা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী লাষ্ট ইদিসনদা টোপ স্কোরর ওইখি । মহাক্লা মমাংগী সিজনদা লিভর পুলদা শান্নবগা লোয়ননা গোল ৩১ চানখি । শোকপনা মরম ওইদুনা উরুগেগী ব্রাম অপ মেটচতা মহাক শরুক য়াখিদবনি ।

## ব্রাজিল টিমনা খুৎশম্নদুনা ট্রোফি লৌনবা হোৎনগনি

*রও দি জানৈরো, মে ২৮ঃ*

ব্রাজিলগী টিমগী কোচ ওইরিবা লুইজ স্কোলারি ফিলিপনা ফোংদোকখিবদা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসি লৈবাক অসিনা টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অমদি লমদা অসিগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা হোৎনগনি হায়খ্রে ।

মমাংদা পাংথোকখিবা কপ কয়াদা লৈবাক অসিনা লৌখিবা থৌদাং অদু য়েংলুরগা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসি লৌননবা হোৎনগনি হায়না মশাগী চহি ৭১ শুরবা টিম অসিগী টেক্নিকেল কোওর্দিনেটর ওইরিবা মীওই অসিনা ফোংদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা ব্রাজিলনা ব্রার্ল্ড কপ অসি ১৯৭০দা অহুমলক শুবা ওইনা মপু ওইবা ঙমখি । ১৯৯৪গী ফাইনেলদা অমুক হন্না লৌবা ঙমখি । ব্রাজিলনা হৌজিক ফাওবদা ব্রার্ল্ড কপ অসি মঙারক লৌখ্রে । অরোইবা ওইনা ইং ২০০২দা জপান অমদি কোরিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুদনি । হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই অসি অফবা ঙাক্তা ওইবগা লোয়ননা য়াম্না কনবা অমদি অফবা টিম অমনি হায়না লৌনরি । ঐখোয়না টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংদা চাউনা থাজবা থল্লি। টিম অসিদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং অসিনা কন্না হোৎনদুনা মায়পাকপা অসি পুরক্কনি । পৃথিবীগী মীয়াম্না হেন্না খংনরবা টিম অমা ওইরিবা ব্রাজিল অসি এটেক্লা হান্না মাং থাবা টিম অমনি ।

ইং ২০১০দা সাউথ আফ্রিকাদা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুদা লৈবাক অসিনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিদে । হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদি হোম গ্রাউন্দদা শান্নবনিনা শোইদমক্কী মায়পাকপা ঙমগনি হায়নসু পেরেরানা ফোংদোকখি ।

মানা মখা তানা হায়খিবদা ইং ১৯৫০দা লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা কপ অসিগী য়ুম্থু ওইদুনা হোম গ্রাউন্দদা পাংথোকখিবা অদুদা উরুগেগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা কপ অসিগী মপু ওইবা ঙমখিদে । নিংবা কাইখিবা ব্রাজিলগী মীয়াম্না অনিরকশুবা ওইনা কপ অসি য়ুম্থু ওইদুনা পাংথোকপা অসিদা মমাংগী য়ুম্থু ওইখিবা মতম অদুদা ঙমহৌদবা মায়পাকপা অদু হন্দক্কী অসিদা শোইদনমক্কী মায়পাকপা ঙম্নবা হোৎনগনি ।



২০১৪ ব্রার্ল্ড কপ লৌগনি হায়দুনা চাউথোকচরিবা ব্রাজিলগী টিম

## ফিফাগী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা কনানা ব্রিনর ওইগদগে

*রও দি জানৈরো, মে ২৮ঃ*

ফুটবোলদা থব্রাই য়াওজবা লৈবাক অমা ওইরিবা ব্রাজিলনা য়ুম্থু ওইদুনা ইং ২০১৪গী জুন ১২দগী ব্রার্ল্ড কপ হৌগদৌরি মসিদা করম্বা লৈবাক্লা টোপ ওইগদগে হায়বদু মেটচ হৌদ্রিবনিনা কনানসু হায়বা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়ানা ক্রিকেটতা কা হেন্না পাম্বা লৈবাক অমা ওইবগুম্না ব্রাজিলগী মীপুম খুদিংমক্লা ফুটবোল হায়রিবা মশান্না অসি পাম্নরি । চহি ৮গী মমাংদা ব্রাজিলনা অচৌবা পৃথিবীগী ওইনা পাংথোকপা টুনার্মেন্ট অসিগী য়ুম্থু ওইননবা বিদ তৌখিবনি মদুদা মায়পাকপগা লোয়ননা চহি অদুদগী তোঙান তোঙানবা মফম ১২দা ষ্টাদিয়ম শাদুনা কপ অসিবু পাংথোক্লবা হোৎনখিবনি ।

ইং ১৯৫০দা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল অদু রিও দি জেনেরোদা শান্নখিবা অদুদা য়ুম্থু ওইরিবা ব্রাজিলনা উরুগেগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি ।

হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা তোঙান তোঙানবা মেটচ কয়া শান্নবা শারিবা ষ্টাদিয়মশিং হায়বদি মার্কনাজো নত্রগা মার্কনা হায়না খংনবা মফম অসিদসু ষ্টাদিয়ম অমা শাগৎলি ।

মমাংদা লৈরম্বা কয়া অদুগা হৌজিক্কা য়াম্না খেৎনবা অমদি উবা ফংলে । য়ু এস দোল্লার বিল্লিয়ন ১১.৫ থাদদুনা ব্রার্ল্ড কপকী ষ্টাদিয়মশিং অসি শেমগৎ শাগৎপা হৌখিবনি ।

মসি মমাংদা সাউথ আফ্রিকানা য়ুম্থু ওইদুনা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুদগী শেল থাদবগী চাং অসি শরুক ৩ হেনখিবনি ।

ইং ২০১০দা ইন্দিয়াগী দেল্লিদা কমনব্রেল্দ গেমস পাংথোকখিবা অদুগুম্না লৈবাক অসিদসু কপ চাউনা পাংথোক্লবা অচৌবা থৌরাং তৌরি। সাও পৌলো অমদি রিওদি জানেরোদা লৈবা মার্কনা ষ্টাদিয়ম অসিদা অনৌবা হোম ক্রাউদকী মনুংদা লৈবাক অসিনা মায়পাক্লবা হোৎনগদৌরি । ব্রার্ল্ড কপতা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা এসিয়া লৈবাক অমা ওইরিবা জাপানসু মমাংদা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ খরাদগী শরুক য়ারকখ্রবসু হন্দক্কী অসিনা তোপ তোপ্পা মওংগী খুৎশান্না কয়া শান্নরক্কনি হায়না পান্নরি । জাপানগী টিমবু জাপানগী মীপুম খুদিংমক্লা শৌগৎলি । টিম অসিগী শান্নরোইশিং হন্দক্কী কপ অসিদা ক্বাটর ফাওবা চংগনি হায়না পান্নরি।



## ফ্রেন্স ওপন্দা সিমোন অনিশুবা রাউন্দ চংখ্রে

*পেরিস, মে ২৮ঃ*

রোমানিয়াগী শান্নরোই অমা ওইরিবী ব্রার্ল্ডগী মরিশুবা সিদেদতা লৈরিবী অসিনা চৎথরিবা ফ্রেন্স ওপন অসিদা মায়পাকপগা লোয়ননা অনিশুবা রাউন্দ চংখ্রে ।

রোমানিয়াগী শান্নরোই সিমোনা হলেপনা রুসিয়াগী অলিসা টেলিভোনোভাবু ৬–০, ৬–২দা মায়থিবা পিবগা লোয়ননা অনিশুবা রাউন্দ চংখিবনি ।

সিমোনানা ফিলিপি চত্রিকোর্টতা শান্নবসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি । মশাগী চহি ২২শুরবী শান্নরোই অসিনা মহাক্কী পুন্সিদা টাইটল ৭ লৌবা ঙমখ্রে অদুগা অমনা ক্লে কোর্টতা শান্নখিবা মেটচ অমা ওইখিবা মেদ্রিদ ওপনদা শারাপোভাগী মখুত্তা মায়খিদুনা রনর্স অপ তাহৌখি ।

অহানবা সেট অদুদা মহাক্লা রুসিয়াগী শান্নরোই অলিসাবু ৬–০দা য়াম্না চাউনা মায়থিবা পিখি । অনিশুবা শান্নখিবা সেট অদুদনা মহাক্লা গেম মঙা ফাওবদা লিদ লৌদুনা ৫–০দা চৎখি । ব্রার্ল্ডগী ৮৭শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী রুসিয়াগী



অলিসা অসি পেরিসকী ফ্রেন্স ওপন্দা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবসি ইং ২০১০দনি । মসিগী মতুংদা মতম কুইনা অনাবানা মরম ওইদুনা ওপরেসন তৌদুনা লৈরুরবী শান্নরোই অমনি। মেটচ অসিদা মহাক্লা সর্ভিস তৌবদা য়াম্না চাউনা মায়থিখি অদুগা সিমোনানা য়াম্না চাউনা মায়পাকপা ঙমখি ।

অনিশুবা সেট অসিদা অলিসানা গেম অনি মায়পাকপা ঙল্লবসু সিমোনানা ৬–২দা মায়থিবা পিবগা লোয়ননা সেকেন্দ রাউন্দ চংখিবনি ।